# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-06-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা হৈবোংলোং চিংগী মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্বদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থিবা হুন্দ্বগী থবক চথ্বা অদুদা মেগজিন য়াওবা শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১১, টুয়েল্ব বোরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরা, দিটোনেটর য়াওবা হাই এক্সপ্লোসিপ গ্রেনেদ অমা দিটোনেটর য়াওবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, হাই এক্সপ্লোসিপ এম.জি. থ্রি গেন্রেদ অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এল.এম.জি. মেগজিন অহুম, ইনসাচ রাইফলগী মেগজিন অনি, বি.পি. কোভর অহুম য়াওনা পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই বজারদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দ সেট অনি, ৱালেট অনি, অধার কার্ড অনি অমসুং টি.বি.এস. জ্পিটর স্কুটর অমা ফাগৎপা ঙমখি।

তেংনৌপল জিলাগী বোডর পিল্লর ৮৭ কী ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডরগী মফমশিংদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ু.এন.এল.এফ (কে) মীওই অমা অমসুং প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি।

ককচিং জিলাগী সেকমাইজিন খুনৌদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি.

(পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মহাক তম্পাক্কী মীচম মীয়াম, মোবাইল দুকান, ওইল পম্প অমসুং হার্ট ৱয়ার দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি।

**চান্দেল (এল) ঃ** ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন-মনিপুর অন্সমনা শিনদুনা মারটিয়স ৯ গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ১২ রক শুবা নীংশিং থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চান্দেল জিলাগী কপান খুলদা লৈবা অন্সম মেমোরিএল পার্কতা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদু নাগা সি.এস.ওশিং অমসুং মহৈরোই লুপশিংগী লুচিংবশিংনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**এআর (এল) ঃ** মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ থৌরমগী মনুং চন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা যোগগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়াওনা অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকখি। থৌরম অদু হকচাং, পুকিং ৱাখল ফনা থম্বনা খুন্নাইদা নুংঙাই য়াইফবা পুরক্কনি হায়বা পাউজেল শন্দোক্কুনা পাঙথোকখিবনি।

**কবিতা (এল) ঃ** ভারত সরকারগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না শিনদুনা চহি অহুমদগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা ‘অঙাংগী শৈরেং-রি-স্ত্রোরিং ভারত্তিয়া রিদমস-পোইমস ফোর য়ঙ চিলদ্রেন’ গী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসিদা শরুক য়ানিংবা চহি অহুমদগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা মনিপুরি লোল য়াওনা ইংলিসতা ইবা ভারতকী লোল ২২ দা অথোই অহেন তান্নগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি নৎত্রগনা ইনোভেট ইন্দিয়া দোট গোভ দোট-ইনদা ইসলাস বালপন-কি-কবিতা ইসলাস ৱেব সাইট অসিদা ফোর্ম থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**যোগ ঃ** লৈবাক অসিগী লম কোইবশিংগী মশক নাইবা মফম ১০০ অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগী মরী লৈনবা মরুওইবা মফম ৫০ দা কলচরেল মন্ত্রালয়গী মখাদা ১১ রক শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকবা শেম শারি।

নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরম আয়ুস মন্ত্রালয়না শিনদুনা হয়েং বিশ্বখাপতনমদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

মরক অসিদা, কলচর অমসুং টুরিজম মন্ত্রি-গজেন্দ্র সিংহ সেখৱটনা রাজস্থানগী যোদপুরদা লৈবা ঐতিহাসিক ওইরবা নেহরা গ্রহ ফোর্টতা পাঙথোকপা যোগগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম অসি য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইটশিং-অসামগী চরাইলিয়ো, মৈধম, গুজরাটকী রাণিকি ভাব অমসুং দোলাবিরা, করনাতক্কাগী হামপি, পতারাকাল, মৈধ্য প্রদেসকী সানচি স্টুপা, খজ্রাহো গ্রুপকী মোনুমেন্ট, উরিষ্যাগী কোনাকতা লৈবা সন টেম্পল, মহারাস্ত্রগী ইলিফান্তা কেপ, তামিল নাদুগী বিরহাট বিস বারা টেম্পল অমসুং তনজাবুরদসু পাঙথোক্কনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ক্রোএসিয়া, কনাডা অমসুং সাইপ্রসকী খোঙচৎ লোয়রদুনা ঙরাং ভারত্তা হল্লকখ্রে।

শ্রী মোদিগী খোঙচৎকী মনুংদা ইন্দিয়া অমসুং ক্রোএসিয়ানা ইন্দিয়া-য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট য়াওনা লম কয়াদা ৱারী শান্নখি।

ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মরক্তা তেংবাংনবা হেনগৎহন্দুনা হেন্না ফবা মরী থমবা হোৎনবদা ক্রোএসিয়ানা শৌগৎলি হায়না ফোংদোকখি।

মহাকা ক্রোএসিয়াদা লৈরিঙৈদা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি-এনদ্রেস প্লেনকোভিককা উন্নদুনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বিষ্ণুপুর জিলাদা নোংমৈ কাপ্পকপদা লৌ শুদুনা লৈবা লৌমী অমা শোকখিবগী পাউ, রাজ্য অসিদা কোবিদ পোজিটিব ওইবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা অমসুং বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-সরদানা পার্টি অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দাগা উন্নখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

নোংমৈ কাপ্পকপগী থৌদোক্তা লৌমী অমা শোকখিবগী পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল অমসুং তমেংলোং টাইমস য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা-এস.এস.বি. বঙ্করদগী মিটর ৩০০ তমক লাপ্পা মফমদগী ক্কি খুৎলায় পায়বশিংনি চিংনবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মশাগী লৌফমদা থবক শুদুনা লৈবা অহল অমা শোকখ্রে। গভনর, সেক্যুরিতি এদভাইজর লাক্ত্রবদি টোটেল সটদাউন্দ লাউথোক্কদৌরি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোপুলর গভরমেন্ট লৈহনফম থোকই হায়না স্পিকর-সৈত্যবরতানা ফোংদোকখিবা ব্রাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, গানফিয়ু মেল পাউচেশিংদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বি.জে.পি. ষ্টেট প্রসিদেন্ট-সরদানা নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দাগা

উন্নখ্রে। প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকহল্লগা অনৌবা গভরমেন্ট অমা শেম্বগী মায়কৈদা চংশিনবগী মমি তারি হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অন্সমনা মারটিয়সশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা ১২ রক শুবা রিমেমব্রেন্স ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইন্দিয়াদা কোবিদ শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লবসু মনিপুরদদি হেনগৎলক্লি, নৌনা মীওই ১৬ পোজিটিব ওইদুনা অপুনবা মশিং ৫৩ শুরে হায়বা পাউ-সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অহমেদবাদ প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী লামনুঙ্গেমগী হকচাং কাংপোকপী য়ৌরকখ্রে। লৈখিদ্রবী কোংব্রাইলাৎপম ঙাঙ্গোইগী হকচাংদি খঙখিদ্রি হায়বা পাউ, হুইয়েন লানপাউ চেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। গভনরনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকপা মীফমদা এদুকেসন সিষ্টেম রিভিয়ু তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

অব্দুল কাদির মীহাৎকা মরী লৈননা গভনরগা উন্নখ্রে, চেন্নরিবা মী ফাদ্রিবা ফাওবা অশিবা মশা লৌখিরোই হায়না জে.এ.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম-পোক ফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়াদা ইংলিস লোল ঙাংবশিং ইকায়নিংঙাই ওইরক্লগনি হায়না হোম মিনিস্তর-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ৱাখৈ লম্বী-উফুল, নুংজেং, পোটহোল মরক্তা এক্সিদেন্টনা ৱাই চাইরে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। টেঙ্কর দ্রাইভরশিংগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।